তুংলমচৎকীদমক চাওখৎ খোঙথাং -৩

- চিংশুবম শ্যামজাই -

ঙসি ঐখোয়না নিংঙাইদনা হিংজরিবা মালেম ইমাগী ফম্বাক অসি মতম খরগী ওইনা শৈদাংবগুম্বনি। নোংমদি শোয়দনা মালেম অসিগী মপুন্সি অসি অরোইবা তাঙ্কক অমা লাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মালেম অসি লৈত্রবদা শৈদাংজরিবা থৱায় পানবা খুদিংমক অসিসু অরোইবা হায়বা তাঙ্কক অদু ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয়না মালেম অসিদা চৈথেং পীরিবা অমসুং পীগদবা থৌওং কয়া চথরিবা অসি পাঙথোকপীদনবা পাউজেঞ্জরি।

ঙসিদি মালেম অসি নোংম-নোংমগী শাবা হেনগৎলক্লি অমদি নোংজু-নুংশাগী ফীভমদা অচৌবা অহোংবা কয়া উবা ফংলি। উন্না কুপ্পুনা লৈরিবা মফম কয়া মহি লাংথোরক্তুনা চেন্থরকপদগী সমুদ্রগী ঈমাই নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্তুনা কংফাল ওইরম্বা লমদম কয়া ঈরোলনুংদা চঙখিবা কয়া ঐখোয়না তাখ্রে। হায়রিবা ফীভমশিং অসিদগী কলহৌনবা ঐখোয়না করি তৌবা তাই হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। মরম অদুনা মালেম অসিদা হিংজরিবা ঐখোয় পুম্নমক্না ‘মালেম অসি কনসি’ হায়বা ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইবা থবক থৌরম কয়া কয়াৎ য়াৎপীদুনা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবা অদু ঐখোয়গী মাঙদা তাদুনা লৈরে।

উমং কয়া মফম খঙদনা মৈ চাকখিবা, উমং কয়া লেপ্তুনা মরূ কোকথোরকপা অমদি উ কয়া মৈ থাদুনা পামলৌ উবগী চৎনবী কয়া অসিনা ঙসিদি ঐখোয়না লৈজরিবা মালেম অসি খাংবা ঙমদবদগী মীওইবা ঐখোয়দা অৱাবা চৈথেং কয়া পীরকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা ঐখোয় মীওইবা পুম্নমক্না উমং কোকথোকপা লেপ্লসি, উ-ৱা কয়া মৈ থাবা তোক্লসি অমদি মীপূম খুদিংমক্না উ অমমম থাদুনা মালেম অসি কল্লসি হায়জনীংই।

তুরেল কয়াগী হৌরকফম ওইরিবা মফমশিংদা হৌরিবা উ-ৱা কয়া কোকথোকপদগী নোংজু পন্থাদা ঈশিংনা অপনবা লৈতনা চেন্থরকপা, লৈখোম লৈনাং কয়ানা তুরেলগী খোংনুং থেনগৎহল্লি লোয়ননা মমৈথংদা লৈনাং কয়া য়াওরবা ঈশিং কয়ানা লোক্তাক পাৎতা য়ৌরকপদগী লোক্তাক্কী খোংনুংসু নোংম-নোংমগী থেনগৎলক্তুনা ঈশিংগী ভোল্যুম হন্থহনবতা নত্তনা লোক্তাক্কী অকোয়বদসু অকায়বা পীরক্লিবনি। তুরেল কয়াগী হৌরকফম ওইরিবা কেচমেন্ট এরিয়াশিং নীংথিনা য়েংশিনবীবা ৱাৎপদগী ঈশিং ঈচাও থোকপা অমদি ঈকং থোকপগী চাং নোংম-নোংমগী ৱাংখৎলক্লি।

মণিপুরদা লৈরিবা লম্বী অয়াম্বা কোয়লাস থাজরবসু নোংজুথা অমদি কালেনথা হেক লাকপদা মহৌশাগী ফীভমদগী হেক্তা শোকচিল্লক্তুনা নোংজুথাদা লৈখোম থোকপা অমদি কালেনথাদা উফুল হৌবগী চৎনবী অমা লৈরিবসিনা লম্বী চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবতা নত্তনা হকশেলগী লম্‌দসু য়াম্না শাথীনা শোকহল্লিবনি। মসি থোক্তনবা লৈঙাক্লসু হোৎনবীবা মতম ওইরে হায়না থমজগে।

নাকল অমরোমদা ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা পোৎলম কয়াগী ফত্ত-হৌদি অমদি চাকখুমদগী থোরকপা অমোৎ-অকায় কয়া অসি মফম চানা হুন্দোকপীদবদগী মনম নমথীবা অমদি মহীক মতাই চেনবা লমদম অমা ওইরবনি। লোয়ননা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম কয়া মফম চাদনা মৈ থাবদগী মনম নমথীবা অমদি হকশেলদা শোকহল্লিবসিসু ঐখোয়না খঙনরবা ৱাফমনি। পুন্নমক অসি থিংননবগীদমক ঐখোয় পুন্নমক ৱাখল তামিন্নদুনা হকশেলদা শোক্কদবা থবক থৌরম পুন্নমক পাঙথোক্কুমসি অমদি উমং ৱামং শেমগৎতুনা মালেম অসি কল্লসি হায়না মীয়ামগী মফমদা পাউজেঞ্জরি। ●

ৱার ওন ইলেক্সন -১

- মোইরাংথেম নবকিশ্বর -

লাক্কদৌরিবা অনৌবা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তদি লৈবাক অসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসিগী খুদোল ওইনা মণিপুরগী য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা য়ামদ্রবা লুপা লিশীং ৫০দগী লুপা লাখ অমা ফাওবদি অনৌবা চহীগী খুদোল ওইনা থবক শুংশু শুদনা অমদি হুমাং মরিক অমফাওবা তাদনা ফংনরবা য়ারি। ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসিগী মীংদা ১২শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল লাকপসিদা।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না ‘দি রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট ১৯৫১’গী মখাদা পার্লিয়ামেন্ট অমদি ষ্টেট লেজিসলেচরশিংগী মীহুৎ চহী ৫/৫গী খন্দুনা লৈবাক ঙাকপগী থৌগাই পুহন্দুনা লাক্লি। অসুম্না হৌখিবা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীহুৎশিংনা শেমখিবা লৈঙাক অসিগী মপুন্সি লাক্কদৌরিবা মথং চহীগী মার্চ ১৯, ২০২২ লোইগদৌরি। অদুনা অনৌবা চহী ৫গী লৈঙাক অমমুক লৈহন্নবা লৈবাক অসিগী লোগী মখাদা ইলেক্সন পাঙথোক্তবা য়ারোইদৌরি অকিবা ফংলবা মীওই লাখ ৫০ রোম শিখ্রবা মালেমগী কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরকসিদা। মুন্না হেক থিজিল্লুরবদি কোভিদ-১৯না শিখ্রবা মালেম অসিগী অপূনবা মীশিং অসি মণিপুর ষ্টেট অসিগী অপূনবা মীশিংগী শরুক অনী ফাগদবা খজিক্তা ঙাইরবনি। অসিগুম্বা য়াম্না মীপাইনীংঙাই ওইরিবা চৈরক, অনৌবা কোভিদ-১৯গী ইনৌ নৌবা ভেরিএন্ট অমা ওইরিবা এ ৱাই ৪.২ হায়বা হেন্না তমথীরবা ভেরিএন্ট অসিনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা নৌনা ম্যুটেসন থোরক্তুনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা অহুমশুবা ৱেভ অমা লাক্লবা য়াই ঙাঙনরিঙৈ চৈরক অসিদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীবা এস ও পি পূম্বা থুগাইদুনা ঙসিদি ষ্টেট অসিগী মীপূম খুদিংমক্না মীহুৎ ৬০ খন্নবা খোইরেল মসা পাইনবমখৈ কোয়চেন চেন্নরি। লৈবাক অসিনা শক-খঙলবা নেসনল পার্টি কয়াগী ফিরাল অমদি রিজনেল পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী ফিরাল পায়দুনা, পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোঙবসু তোয়খৎনরক্লি। কেন্দিদেট ওইগদৌরিবা কয়াগী ৱার্কর মশেল মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়াসু থোক্লরি, অসুক ফজখ্রবা মীয়ামগী মীহুৎ খনবগী ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসিগী মনুং চন্না, ইলেক্সনগী মতম ফাওবা লাউথোক্ত্রিঙৈ চৈরকসিদা। শিবমক্কী পাউদি তাখিদ্রি, নোংমৈ মরূনা পানবগী পাউদি ফনা য়াম্না তাখ্রে। পুম্নমক অসিগী মরক্তা ঈ-পাউ ফোঙলিবা পাউমী ফাওবা ফূরস্কগী পাউসু তাখ্রে।

দেমোক্রেসিগী ফজখ্রবা ককপা য়াররোইদবা ৱাহন্থোক, মতম অমগী অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওইরমখিবা অব্রাহম লিনকোননা হায়বিরম্বা - দেমোক্রেসি হায়বসে লৈঙাক সাসন অমনি, কনাগী কনানা কনাগীদমক লৈঙাকপা লৈঙাক সাসন, প্রজাগী প্রজানা প্রজাগীদমক মীহুৎ খঞ্জরবা মীহুৎশিংদুনা লৈঙাকচবা লৈঙাক সাসন। (ওগষ্ট ১, ১৯৫৮) অদুবু ঙসি লৈবাক অসিনা নীংখা তমখিবা কুমজা ১৯৪৭, ওগষ্ট ১৫গী মতুং কুমজা ১৯৫০দা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন শেমদুনা ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ খঞ্জদুনা লৈঙাকপগী থবক থৌরম লেপ্তুনা চথরকপা অদুগী মহয় ওইনা ঙসিদি ষ্টেট অসিদা লৈঙাক ঙাক্লবা মীহুৎ খনবদা মীহুৎ খন্নবা চহী ১৮ শুরবা ভোটর অমগী মমলসি খ্বাইদগী পিক্লবদা লুপা লিশীং ১না ওইরি অদুগা খ্বাইদগী য়াম্বদনা লুপা লিশীং ১০ ফাওবা য়ৌনরে হায়নরি। য়াম্না তাঙবা হায়বদুমক্তি ওইদ্রি। ইলেক্সনদা খুন্নাইসিগী চৎনবী ওন্থোকখ্রবা দেমোক্রেসিগী শক্তম মচা অমখক থমজবনি। ঐদি শেল অমত্তা লৌজরোই হায়রবসু নমদুনা পীশিল্লগদৌরিবা, মখোয়বু নুংশিবীনবা মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরক্লবা। লৌরূদ্রগনা ঐনা থাগৎচনীংবা মীহুৎ ওইরবসু ঐবু থাজবীরোইদৌরিবা। ওন্থোক্লা লুখ্রে অদুননি অহৌবদা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তদি দেমোক্রেসিগী খুদোল ওইনা য়ামদ্রবদা য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা লুপা লিশীং ৫০দগী লুপা লাখ অমা ফাওবা থবক শুংশু শুদনা, হুমাং মরিক অমা ফাওবা তাদনা ফংনরবা য়ারি হায়জখিবদু।

খন্থদুনা য়েংমিন্নসি এ সী অমদা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অসিদা হান্না ভোট কাদুনা লৈরবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং থারগা য়ামদ্রবদা কেন্দিদেট ৫/৫ নৎত্রগা ৬/৭তি নৌনা ভোট লেপচনীংবা, লৈবাক্কী থৌগল তৌজনীংবা মীওইশিং চোঙথোরক্তুনা মীখল লম্বাগীদমক লাম্থেংনবগী লমজেলদা য়াওশিন্নরি। য়ামদ্রবদা মশক নাইবা নেসনল পার্টিশিংগী টিকেট ফংবা ৩ নৎত্রগা ৪দি য়াওনরি। অদুগুম্বা পার্টিগী টিকেট ফংহৌদবা কাঙবুশিং অদুনা সর্গগুম ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা পার্টিদুগী ভোট খোমলম্বদুনা টিকেট ফংহৌদ্রবা মতুং পার্টিদুবু নোরোক্কী থাক্তা চিংথদুনা হুল্লগা পার্টি অমদা অমুক চোঙলগা নৎত্রগা রিজনেল পার্টিদা নৎত্রে হায়রগা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইবসু কোকথোং অমা য়াওনরকখিগনি। অদুনা য়ামদ্রবদা এ সী অমদা মীরেপ ৪ নৎত্রগা ৫দি শোয়দনা লম্বা পানরি। মীরেপ ৭/৮, ১০ শুবসু অদুমক ময়াওনরক্কনি। কেন্দিদেট অদুগী মনুংদা ভোটরশিংবু শেল পীদুনা লৈবা ঙম্বা মীরেপ ৩ নৎত্রগা ৪দি শোয়দনা য়াওনরক্কনি। মরমদি হৌজিক্কী মতমদা শেল পায়দবা, শেল য়েন্দবা মীরেপ অমত্তা ভোট কাবা ঙমদে হায়বসি খ্বাইনা খঙনরবা, ঙাঙনরিবা ৱাফমনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

ওল জেলিয়ারোং ওর্গনাইজেসন মণিপুর ভেল্লিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): রানি গাইদিনলিয়ু ত্রাইবেল ফ্রীদম ফায়টর ম্যুজিয়ম হৌনবী মতুং ইন্না রাণি গাইদিনলিয়ুগী পোক্লফম লমদম তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী লোংকাওদা শানবগীদমক ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা উরেপ উয়ুং তমখিবদা ওল জেলিয়ারোং ওর্গনাইজেসন মণিপুর ভেল্লিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নমদুলোংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ওল জেলিয়ারোং ওর্গনাইজেসন মণিপুর ভেল্লিগী প্রসিদেন্ট মৈবোন ফাওমৈনা রাণি গাইদিনলিয়ু ত্রাইবেল ফ্রীদম ফায়টর ম্যুজিয়ম অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মখানদা শানবা তৌরুবদা ওল জেলিয়ারোং ওর্গনাইজেসন মণিপুর ভেল্লিগী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ত্রাইবেল এফেয়র্স অর্জুন মুন্দা অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা অশেংবা-অচুম্বা থবক অদু তৌবীদুনা রাণি গাইদিনলিয়ু ত্রাইবেল ফ্রীদম ফায়টর ম্যুজিয়ম অসি মহাক্কী পোক্লফম লমদমদা শাবীনবা তকশিন্দুনা খোঙজং ফাওবা চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা মীয়ামগী ঈহুলবু খঙবীরদুনা লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইনিসিএটিভ লৌবীদুনা থবক্তা ওন্থোকপীরকপবু ওল জেলিয়ারোং ওর্গনাইজেসন মণিপুর ভেল্লিনা থাগৎলি।

লোয়ননা অসিগুল্লবা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা পায়খৎপীরক্লিবা থবক অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীদুনা অকল্লবা মতমগী মনুংদা ম্যুজিয়ম অসি শাবসু লোইশিনবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

মোইরাংদা নোংমগী ওইবা য়ুথ কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): লাক্কদৌরিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা য়ুথ কনভেন্সন অমা ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা (বি জে ৱাই এম) মোইরাং মন্দলনা শীন্দুনা আই এন এ মেমোরিএল হোল, মোইরাংদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা মণিপুর য়ুব রেল্লি অমসু বি জে ৱাই এমগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমদি নেসনল জেনরেল সেক্রেটরিনা মোইরাং চীংঙৈ লম্পাক্তগী সিটি কনভেন্সন সেন্টর, ইম্ফালগীদমক লমথাখি।

লোক সভাগী এম পি অমদি বি জে ৱাই এমগী নেসনল প্রসিদেন্ট ওইরিবা এস এস তেজাজভি সুর্য়া অমসুং এম পি লোক সভা অমদি বি জে ৱাই এমগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি রাজু বিস্তাবু বি জে ৱাই এম মোইরাং মন্দলগী করয়াকর্তাশিংনা ফুবালাদা ট্রেডিসনল ওইবা মওংদা ৱেলকম তৌরবা মতুং তুংদা গেষ্টশিংনা আই এন এ মার্টিয়রস কমপ্লেক্স, মোইরাংদা লৈবা নেতাজিগী ষ্টেচুদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি।

থৌরমগা মরী লৈননা তেজাজ ভি সুর্য়া, এম পি লোক সভা, নেসনল প্রসিদেন্ট বি জে ৱাই এমনা হায়খিবদা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মণিপুরদা কমপ্লিট মেজোরিটি ফংদুনা বি জে পিগী লৈঙাক শেল্লগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈ। বন্দ, ব্লোকেদ অমদি ভাইওলেন্স হৌজিক মণিপুরদা লৈত্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসিদি মণিপুর চাওখৎপগী লম্‌দা য়াঙনা চঙশিল্লকই। মণিপুর হৌজিক্তি প্রোগ্রেস, প্রোস্পরিটি অমদি ইনক্লুসিভ দিভলপমেন্টলোমদা মায় ওনশিন্দুনা চাওখৎপা ষ্টেট অমা শোয়দনা ওইরগনি হায়খি। মহাক্লা মখা তানা অজাদি কা অমৃত মহোতসবকী সেলেব্রেসন মনুং অসিদা ইন্দিয়াগী নিংখা তম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মোইরাং অমদি আই এন এদা য়ৌরক্তুনা ঙসি নেতাজিগী ষ্টেচুদা লৈ কৎপগী তাঞ্জা ফংবা অসিসু য়াম্না লাইবক ফবনি হায়খি।

ঙসি য়ুথ কনভেন্সন অদুদা এল এস তেজাজভি সুর্য়া, এম পি লোক সভা, নেসনল প্রসিদেন্ট বি জে ৱাই এম; রাজু বিস্তা, এম পি লোক সভা, নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি বি জে ৱাই এম; পি শরতচন্দ্র, এম এল এ মোইরাং এ সী; এল রাধাকিশ্বর, এম এল এ ওইনাম এ সী; মনোহরময়ূম বারিশ, প্রসিদেন্ট বি জে ৱাই এম মণিপুর প্রদেশ; আর কে বিমোলা, প্রসিদেন্ট বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট; কে রামেশ্বর, প্রসিদেন্ট বি জে ৱাই এম বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট; এমদি অব্দুল হমিদ, প্রসিদেন্ট বি জে পি মোইরাং মন্দল, কে সুরেশ, প্রসিদেন্ট বি জে ৱাই এম মোইরাং মন্দল; এম পৃথিবীরাজ, এক্স-এম এল এ মোইরাং এ সী অমসুং এম অস্বনিকুমার, প্রসিদেন্ট এম দি এস মণিপুরনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মনা লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংনা চহী খূদিংগী ওইনা পীবা য়েংখোম ইবোচৌবা অমসুং তনৌ বেষ্ট মণিপুরী পোনি ফার্মর এৱার্দ ২০২১ লান্থোক্লগনি।

থবক্তগী পোথারবা প্রোজেক্ট ওফিসর, ভেটেরিনরি ডা. ৱাই রাজেন্দ্রোনা কৎপা এৱার্দ অসি চহী অসিগী ওইনা কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায়, ইম্ফালদা লৈবা থৌদাম কাওবদা পীরগনি। মনা অসি থা অসিগী ২৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংগী ২৩শুবা মনা লান্থোকপগী থৌরমদা মনা অসিসু লান্থোক্কনি হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম জয়কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৩ (ঐচএনএস): পীপলস দিভলপমেন্ট সোসাইটি (পি দি এস) ন্যু চেক্কোন ইম্ফালনা স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ দিভলপমেন্ট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস আই দি বি আই) অমসুং উষা ইন্টরনেসনল লিমিটেদ অনীগী স্পোন্সরশিপ মখাদা নুমিৎ ৯নি চুপ্না চথরকপা স্বালমবন সিলাই স্কুল টিচর্স ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ভেলিদিক্টরি ফঙ্কসন অমা ট্রেনিং পাঙথোকখিবা মফম বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুরগী দি সী রঞ্জন য়ূম্নামনা চীফ গেষ্ট, পি দি এস ইম্ফালগী সী ঈ ও টিঐচ বিরমঙ্গলনা প্রসিদেন্ট অমসুং উষা ইন্টরনেশনল লিমিটেদ গুৱাহাটি দিপ্যুটি রিজনল মেনেজর মলাইপালনচিংবসু শরুক য়াখি।

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ **ADMISSION OPEN** ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ

PHOENIX ENGLISH COACHING

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)

KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK

Detailed explanation of every lesson

Complete discussion of exam-related questions

Free supply of printed questions and answers

Weekly exam-oriented tests.

Nowhere can you find such English coaching class.

CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.

6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM

PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/7261/2/11-2/12



MANIPUR STATE POWER COMPANY LIMITED

Keishampat Junction, Imphal – 795001

Corporate Office:- Electricity Complex, Patta No. 1293 under 87(2), Khwai Bazar, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, INDIA

Fax : +91385 2450702
Tele: +91385 2450050

No. 4/10/YY(1-45)/132KV/2021/MSPCL(PURCH)/2380-85

Imphal, the 22nd November 2021

ꯇꯦꯟꯗꯔ / NOTICE INVITING TENDER

The Managing Director, Manipur State Power Company Ltd (MSPCL), a Government of Manipur Enterprises invites sealed tenders in triplicate from eligible turnkey firms who have experienced in the field of the same nature of work for execution for the following work

Tender Specification No	Particulars	NIT value (inclusive of GST)	Cost of Tender Paper	Last date of receipt of request for Tender Paper	Due date of receipt of completed Tender	Due date of Opening of Techno-Commercial Bid	Due date of Opening of Financial Bid
(1)	(2)	(3)	(4)	(5)	(6)	(7)	
4/4/21	Operation & Maintenance of 132KV S/C Transmission line 1 from Yurembam to Yaingangpokpi (Sh: Replacement of Disc insulators in between Loc. No. 1 and Loc No. 45) on turnkey basis.	Rs. 84.94 Lakh.	Rs. 10,000/-	02.12.2021 upto 4.30 p.m	13.12.2021 upto 4.30 p.m	14.12.2021 at 2.00 p.m.	16.12.2021 at 2.00 p.m.

2. Bidding/tender Documents shall be available from the office of the Managing Director, Manipur State Power Company Limited, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, India.

3. The application request for the NIT/tender along with cost of the tender paper (Non-refundable) shown above, in the form of Demand Draft/D-at-Call/FDR/Banker Cheque from a Nationalized/Scheduled Bank preferably having its branch at Imphal (preferably State Bank of India), drawn in favour of the Managing Director, Manipur State Power Company Limited should be submitted to the Managing Director, Manipur State Power Company Limited, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, India.

Sd/- N. Sarat Singh
Managing Director, MSPCL

HL-B/7300/24

ꯏꯪꯈꯣꯜ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ/ইংখোল য়োঞ্জরি

Bamon Leikai Telsuba Leirak তা লৈবা 118×27 পাকপা চাওবা অপূনবা Square Feet 3186 অসি পাক্কা ফেন্সিং ওইরবা অমদি Iron গী Gate য়াওরবা অসি য়ূম য়াওনা য়োঞ্জরি।

Contact No : 8974692966
8732014950

HL-P/0708/23, 24

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / ভারতিয়া মজদুর সংঘনা মণিপুর গভর্ণমেন্টপু থাগৎচরি

ভারতিয়া মজদুর সংঘ মণিপুর ষ্টেটনা মণিপুর গভর্ণমেন্টপু হীরম কয়াদা অফবা থবক ময়াম অমা তৌবিবগা লোয়ননা মতম শাংনা (BMS) না তান্দুনা লাক্লবা দিমান্দশিংগী মনুংদা Anganwadi Worker শিংদা লুপা ১,০০০/- অদুগা হেল্পরশিংদনা লুপা ৬০০/- লোয়ননা আশা ৱর্করশিংগী Honorarium সু লুপা ১,০০০/- হেনগৎপীরকপদা BMS তা Affiliation তৌরিবা “Manipur Anganwadi Mahila Organisation” অমসুং মণিপুর আশা দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী মহুৎ শিন্দুনা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

Sd/- K. Mandakini Devi
General Secretary,
BMS Manipur State

HL-P/0721/24

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হান্নগা তোকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ মপান্দা তৎলগা খোঙ হাম্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, কুইনা ফম্বা য়াদবা, অমাংথোঙদা নাবা অমদি শাগৎপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা অমাংথোঙদা চিক্কনি খনবদা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ খজিক্তং হান্নগা তোকপা, খোঙ মপূং ফানা হামদোক্তবনা মরম ওইদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পূক নুংঙাইতবা, পূকচেপ নাবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা তৎপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, অমাংথোঙদা নাবা অমদি শাগৎপা, লৈকাইগী অশেন্বা হীদাক খরা চারুবদগী অমাংথোঙদা পোমথোরকপা নাবা অদু হেনগৎহনবা, নোংম-নোংমগী হকচাং অসি শোন্থরকপা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাঙ নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, হকচাংগী ইন্দ্রি অসি শোন্থবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **S. Jiban Singh**
Sangaiprou Ningthemkol

HL-B/7295/24

ꯃꯥꯡꯈꯤ / IDENTITY CARD & SMART CARD LOST

I have lost my Ex-Servicemen Identity Card bearing no. JC-549166N issued by Assam Regt., Smart Card of Grocery, Liquor & ECHS on the way between Sugnu and Sajik Tampak on 15/11/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Tuangtung Nung Zou**
Army No - JC-549166N
Rank - NB/SUB.
Regiment - Assam Regiment
9612167453

HL-P/0726/24

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

12th শুবা Social Voluntary Organisation Changangei (SOVOC) গী Foundation Day হৌখিবা 19/11/2021 দা SOVOC গী President Moirangthem Kanta Meetei না থৌরম মপু ওইদুনা SOVOC গী Executive Members খুদিংমক অমদি হান্নগী SOVOC গী Volunteer খুদিংমক অমসুং নৌনা চঙলকপা SOVOC কি Volunteer শিংগা পুন্না থৌরম অদু মপুং ফানা পাঙথোকখি।

থৌরম অসিবু মপুং ফানা মায় পাক্না পাঙথোকপদা শেলগী অমদি পাঙ্গলগী মতেং পাংবীরকপা খ্বায় পুন্নমকপু SOVOC না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

থৌরম অসিদা শেলগী মতেং পাংবীরকপশিংগী List মখাদা পীজরি।

1.	Network Service	Rs. 10,000/-	(Ten Thousand)
2.	Sangai Express	Rs. 3,000/-	(Three Thousand)
3.	Punya Automobile	Rs. 2,500/-	(Two Thousand Five Hundred)
4.	Comet School	Rs. 4,000/-	(Four Thousand)
5.	Herbert School	Rs. 4,000/-	(Four Thousand)
6.	Touch Worth	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
7.	MGT Motor	Rs. 500/-	(Five Hundred)
8.	SD Industries Loktak	Rs. 2,000/-	(Two Thousand)
9.	Mangalam Enterprises	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
10.	Pranab Automobiles	Rs. 2,000/-	(Two Thousand)
11.	Geetanjali Automobiles	Rs. 500/-	(Five Hundred)
12.	K.D. Enterprises	Rs. 200/-	(Two Hundred)
13.	Fika	Rs. 200/-	(Two Hundred)
14.	Studio Pepperfry	Rs. 1,000/-	(One Hundred)
15.	Cjakhum	Rs. 500/-	(Five Hundred)
16.	Home Design Airport Mall	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
17.	Velo Proprietor	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
18.	Travel World	Rs. 500/-	(Five Hundred)
19.	Shri Krishna Manikanta Hotel	Rs. 500/-	(Five Hundred)
20.	Indigo Airline	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
21.	Air Asia Airline	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
22.	Royal Furnish	Rs. 200/-	(Two Hundred)
23.	AD North East Cargo	Rs. 2,000/-	(Two Thousand)
24.	Laishram Anil (Chara)	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
25.	MECI Explorer Academy	Rs. 2,000/-	(Two Thousand)
26.	Excel Furniture	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
27.	Sanaleibak Pukei	Rs. 500/-	(Five Hundred)
28.	Dharamraj Cargo	Rs. 2,000/-	(Two Thousand)
29.	Ayekpam Sanatomba	Rs. 2,000/-	(Two Thousand)
30.	CAURDOWA (Airport Auto Service)	Rs. 500/-	(Five Hundred)
31.	KSK Changangei (NM) Oil Pump	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
32.	Irengbam Surjit	Rs. 3,000/-	(Three Thousand)
33.	Adrash Cargo	Rs. 2,000/-	(Two Thousand)
34.	Sapam Geetchandra (Boby)	Rs. 500/-	(Five Hundred)
35.	Sougrakpam Boijit (Robot)	Rs. 500/-	(Five Hundred)
36.	Chingangbam Dindeyshwor Singh	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
37.	Maibam Boby (Iswar)	Rs. 500/-	(Five Hundred)
38.	Airport Parking Service	Rs. 3,000/-	(Three Thousand)
39.	Laishram Roma Leima, Pradhan Changangei G.P.	Rs. 2,000/-	(Two Thousand)
40.	ATSODA (Airport Taxi Service)	Rs. 500/-	(Five Hundred)
41.	Blossom School	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
42.	Raj Kumar Rameshwor Singh	Rs. 10,000/-	(Ten Thousand)
43.	Sinam Hitler	Rs. 500/-	(Five Hundred)
44.	Chingkheimayum Sunil (Aboi)	Rs. 2,000/-	(Two Thousand)
45.	Thongamcha Computer Centre	Rs. 500/-	(Five Hundred)
46.	Royal Education Foundation	Rs. 1,000/-	(One Thousand)
47.	Changkhombi Stich	Rs. 200/-	(Two Hundred)
48.	DTDC Shorting Office	Rs. 2,500/-	(Two Thousand Five Hundred)
49.	Fly High Cargo	Rs. 2,000/-	(Two Thousand)

Sd/- Moirangthem Kiran Singh
Secretary,
Social Voluntary Organisation Changangei,
(SOVOC), Imphal West

HL-P/0717/24

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।